# অওনবা মতমগী খোঙচত্তা তাঙলম্বনা হোঙলকপা, হোঙলম্বনা তাঙলক্লবদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মতমগী খোঙচৎ অঙকপনা থল্লি। অহোংবা অওনবা কয়াগা শাগোন্নদুনা চৎলি। কনানসু থিংবা ঙমদে। মীগীদি খঙদে, ইরমদমগী ওইনদি মমাঙঙৈগা হৌজিক্তা পুমওন ওন্নবা পূমখেন খেন্নবা কয়াগী মনুংদা থুম অমদি লম পনবা য়াই। অরিবা ৱারী লাইরিক্তগী থেংনজবনি, থায়না মমাঙঙৈদা থুম অসি য়াম্না তাঙলম্বজাৎনি। তাঙলম্বগী চাংদি কনাগুম্বা অমনা শাফা-লানফা, শান্ন-খোৎনবা, লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা মশক থোকপা থবক পাঙথোকপা মতমদা লৈবাক নিংথৌনা মাগী থৌদাং অদুবু মশক খঙবীবা, ইকায়খুম্নবা ওইনা ফিজেৎ-লৈতেং, সনা লিক-কোন, লৌনচিংবা মনা পীবদা থুম অমদি থুমখোং ফাওবা য়াওবগী ৱাফম খরসু অদুম্মক থেংনৈ। লৈঙাক্কী থৌ পুবা ফম্নাইবা, অঙম অথৌ, লান্মীনচিংবদা থুম পীরম্মী হায়। খৃষ্ট কুম ১৮৭৪ পোইনু পানখৎলকপদা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিনা ককচীংদা থুমপোৎ পীবিরম্বগী ৱারোলনি- *অদু নুমিত্তা শ্রীযুৎকী মচা ইবেম্মশিংসু খুবাক ইশৈ য়েংনবগী ককচিংদা থুংলৈএ। নাক্কা থেংবা খুন ১৩দা মাগী মাগী মতিক ওকপা লুপা ২০০না য়েনবীএ। ককচিং খুনলেন, ৱাইরি ২ মাদি থুমপোৎ ৭ মসু হাপ্পীরম্মে। (চৈথারোল কুম্বাবা)*

অসুম্না ইরমদম অসিদা লৈবা থুমখোংশিংদগী শুংবা য়েলহৌ থুম হায়বদি থুম্পাক অসি অসুক্কী মতিক মমল ৱাংনা লৌনরম্মী হায়বসি উৎপনি। মতিক ময়াইদুননি, ঐখোয়গী ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম পাঙথোকপদা থুম্পাকসু মরু ওইবা পোৎলম অমা ওইনা য়াওনরিবসি। মতম অমগী ৱানি, মীরমদগী পুশিল্লকপা বোরাখাউদা হাল্লকপা কেজি অমদা শিকিতমক পীবা থুম অপৌবনা মণিপুরগী চাকখুম খুদিংদা ঙাম্থোইরবা মতমনি, অঙাং উনবগী মৈনীং কুম্বীশিংদি দুকানগী থুম পীজনদে। ঐখোয়গী য়েলহৌ থুম্পাক ওইনা পীজনৈ। মরম লৈফম থোকই। মতমদুগী মীরমদগী পুশিল্লকপা থুম অপৌবদগী ঐখোয়গী য়েলহৌ থুম্পাক্না মগুণ হেল্লি হায়বা ওইরোইদ্রা? কয়দা মতিক ময়াই লৈখ্রবা থুম্পাক্লো! ঐখোয়গী লুহোংবদা চঙদবা য়াদবা মরু ওইবা পোৎচঙশিংগী মনুংদা থুম্পাকসু অমনি। থুম শুংববু তরাইবা থবক্লা? থুমলৈমা লাইরেম্বী লৈরিবনি। মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক ঈরাৎ থৌনিগা শাগোন্নরল্লিবনি।

চাদবদি য়াদ, লান তোয়রবসু মীশিংদি হেনগৎকনু য়ারল্লোই। ইরমদমদা শুংজবা থুম্না কোন্নহনদবা য়াদে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী থৌশিন্দসু থুমখোং তৌবা, শেংবা, ঙাক-শেনবসি য়াম্না মরু ওইরম্মী। লৈবাক নিংথৌনা থুমখোং তৌবগী থবক পায়খৎপা অমসুং লৈবাক অসিদা লৈরিবা থুমখোংশিংদা তোয়না চৎতুনা য়েংশিল্লম্বগী ৱাফম ৱারী লাইরিকশিংদা য়াওরি। খুদম অমা লৌখৎচরবদা মৈদিংঙু পাইখোম্বনা পানবা মতমদা খৃষ্ট কুম ১৬৯৩দা ফাইরেন লমতা শজিবু থা অহুম চূপ্না থুমখোং তৌখিবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবদা ইরি। মতৌ অসুম্না থুমখোং শেমগৎপা, ঙাক-শেনবগী থবক, য়েংশিনবা চৎপনচিংবা থবক্তা লৈমা, মজাইবুংঙো, মনাও ইবুংঙোনচিংবা ফম্নাইবশিংসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী। হীরম অসিদা মায়পুননা য়েংশিন্নবগীদমক *থুমজাউ পুরেন* হায়না খঙনবা ফম্নাইবসু লৈরম্মী। কয়ামুক য়াম্না হকচিন্না লৌনরম্বগে হায়বদা থুমখোং লাইরেম্বীদা ঈরাৎ থৌনিদুনা থুমখোং হোঙবগী থৌরম পাঙথোক্লম্মী।

অদুবু অদুক তাঙলম্বা থুমদো ঙসিদি পোৎলম অতৈগী মমলগা চাংদম্নবদা মমল হোঙবা পোৎনি হায়না লৌনরে। ঐখোয়গী চীঙ্গাক শেম্বদা অদুক্কী মতিক মরু ওইবা মচলনি হায়বদু কাউনবগুম তৌরি। হৌজিকপু করিগুম্বা হীরম অমদা অঙাং মহৈরোয় অমদা ফর্ষ্ট তাবগীনি হায়দুনা থুম্পাক অমা পীরুবদা মচীনবান্না পেহৌ পেহৌ, মবুক মনুংদনা পেন্দবগী মনিলনা ৱং ৱং কাদৌরিপোৎনি। পাখঙ অমনা মাগী থৱায়গী থৱায় ওইরিবী মশানৌ অমগী বর্থদে থৌরমদা খুদোল তল্লিবনি হায়দুনা টাটা সোল্ট পেকেট অমা ময়াম মমাঙদুদা পীরুবদা করিনো ওইদোইসে? খুদক্তা নুংশি মরী পৎ তৎলোইদ্রা? হৌজিক্কী থুম্না হোঙবগী চাংদি কনাগুম্বী নুপীমচা অমনা মথোঙ হুক্তবা থবক তৌরকপদা অসুম্না হেক হেক হায়নৈ - *মসিগী নুপীমচাসে হয়েং ময়ূম পাল্লকান্দা শিকি অমগী থুম লোইদনা হল্লকতৌরিপোৎনি।* অদুবু ময়াম্না খঙবীগদবদি হৌজিক মতমসিদা মমলদবু হোঙজৈ হায়বৈ ৱানি, তৌবদি ঙমখ্রবা থুম্লি। থুম য়াকপা এঙ্গাং চাবা নুমিৎতু দাউ য়াদে হায়নরিনি। কুম্মৈ-ফিয়োং, লীলা-ফালা, লুহোং-খোঙদোং, থাবল-নোংবন, ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা থৌরম লৈবদা নোং চুবা লেপ্পনবা লুখ্রাবীগী থুম্ফু হুরান্নরিবনি। হায়রুদুনা কান্নদে তাইবঙ মীগী ঈ চূপথোকপা ঙম্বা কাকফৈদো খোঙপাক্লা নৈহৎপদা খোঙপাক্তু মায়থীবা ফংলিনি, কাকফৈদুনা ফে লাউবীদবা। অদুবু থুম খূৎচপ্পী অমা থাজিনবদা কাকফৈ পূন্সি লোম্বনি।

স্কুল তল্লিঙৈ মতমগী ৱারীনি। থুমগা মরী লৈনবা ৱারী অমা থেংনখি। লৈবাক মমিংদু কাউরে, নিংথৌ অমগী মচানুপী অহুম লৈরম্মী। মখোয় অহুমগী মরক্তগী কনানা মাবু খ্বাইদগী নুংশিবনো হায়না চাংয়েং তৌবদা অহল অমসুং অনীশুবীনা তাৎ তৌদুনা মখোয়না মপাবু নুংশিবদু সনা লুপা মণি-মুক্তাদগীসু হেল্লি হায়রম্মী। অদুবু মচানুপী অতোম্বীনদি মপাবু থুমগুম্না নুংশি হায়রম্মী। মদুদা মমল ইহোঙ হোঙবা পোৎকা চাংদম্নে হায়দুনা মাবু তাম্থোকপীখি। মাগী ফংফম থোকপা লন-থুমসু মচে অনীদা ওইনা পীরম্মী। অদুবু মহাক্লা লাইবক ফবী ওইরক্লবা মতুংদা মপা নিংথৌবু থুম থাক্তবা এঙ্গাং মথেলগা লোয়ননা অচৌবা চাক্লেন অমা শীল্লম্মী। মতৌ অসুম্না থুম্বু করিসু লৈতনা খনবা মপাইবুংঙোদু পোৎশক অসিগী ৱাংলবা মগুণ চপ চানা খঙবা ঙমখি। মসিনা থুম মরাং কায়না হোঙনা ফংবা মীরমগী ওইবা ৱারীনি।

অমরোমদা, মমাঙঙৈদা য়াম্না হোঙলম্বা হৌজিক্লা ত্রৎ ত্রৎ লাউবখৈ তাঙলিবসি লৌ-ইঙ্খোল য়ূম্ফম্নচিংবনি। থায়না মমাঙঙৈ লম্ফাং লমজাউনা মরাং কায়রিঙৈ, মীশিংনা কা হেন্না ৱাৎলিঙৈ মতমদদি মী হায়বজাত্তু লাকপীরো খুন্দাবীররো অসুম্না খন্নরম্বজাৎনি। তৌববুদি চীংদসু তম্পাক্তসু শা-কৈ মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বসি ৱারী লাইরিক্তগী খঙবা ঙম্মী। খম্বা থোইবীগী ৱারীদসু পুরেম্বনা তোর্ব্বুংদগী কৈ তরেৎ ফাখি হায়রিদুনি। শা-কৈ হায়বসিনদি অহিংবা চাবনিদো। মখোয়বু থেংনরুবশিংনা অখং অরাক্লনা মীৎ-না লংখত্তুনা লাউ-খোংলিনিদো। মখোয়নসু তাইবঙ মীবু কিবনিনা লাউ-খোংলকপদুগা মানা ঙমহৌরগা লোইরে হায়দুনা চোংশিল্লগা তাপ লাকপা ওইরমদৌবা মাল্লি। অসিগুল্লবা ফীভম অসিদা নাইতোম য়ূমদোমপোক্তা কনাসু লৈবা পাম্নরল্লোই। শা-লানগী মতম ওইবনা অকন-অথৌগী মথৌসু তারমগনি। মদুদদি মীতোপ-মীরান ওইগেরা ওইরোইরা পঙলৈদা লৈহনবনি। অহল লমনশিংনা ৱারীনবা তাজহৌবদা মতম অমদদি হৈনীং মরূ অমগা য়ূম য়ূমফম অমগা ওন্নরম্মী হায়। লমগী মমল য়াম্না হোঙলম্বগী ৱারীনি।

হৌজিক্তি মীশিংনা অসুম অসুম হেনগৎলক, লৈফম্না অসুম লৈশিল্লক্তা, মীতোপ খন্দোক খঞ্জিন্না অচৌবা ইস্যু অমা ওইরক্লিবসিনি। লমগী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লম্বী সড়ক, তু-খোং, ঈরম-নালাশিং অসুম অসুম খোপচিন্নরকপদগী লেংথৈনফম লৈতবা লম্বী ফাওবা য়াওরক্লে। ঈরম নালা মতিক চাদবনা নোং খজিক্তং চুবগা ঈশিং ঈচাও থোক্লি। লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না খোপচিল্লিবা মফমদা শাজিনবা য়ূম-কৈ, দুকান্নচিংবা তকথোকপা, শীদোকপগী থবক ঙসি-ঙরাংসি অয়ৌবী থাক্তা চথরক্লি। মসিনা মতম অমদা ইহোঙ হোঙলম্বা লম-তুগী মমলনা জ্ জ্ তাঙখৎলকপগী অহোংবা অওনবনি। অতাঙবা পোৎপু পাম্বা মিতাবা হৌনশানি। অদুবু মীয়ামদা শোকহনগদবা মওংদা করাম কোৎলৌবদি হেনমনবনি। অহল লমনশিংনা ইতৎ তত্তনা হায়বীদুনা লাকপা ৱাহৈশিংনি - *লম করাম্বা মীদি লমখা থাদুনা শি।* অদুবু ৱাহৈ পরেং অসি থৌশাবীদবা মীনা অয়াম্বনি। মদুননি শেল চঙনা শাখিবা য়ূম-কৈ কয়া জে সী বি, দোজরনচিংবগী খয়াত্তা তাদুনা খাঙুথক্তা মপূন্সি কেমদোইনহনবগী য়েংবা নুংঙাইতবা ময়াম অমা উরক্লিবসি। ●

# হিংবদি ৱাবা কৌদেদা কৈসু

- নবকুমার ওইনা -



তুমিৎ-কাং, কৌজেং-হারৌ, তন্দন ফাওবা পঙহিং হিংনরি, নুংঙাইনা হিংবসু মাল্লি। হিংববু করিদা লুরিবনো, ৱারসু হিংবনি, নুংঙাইনা হিংবা য়াদবা লৈতে। লান তৌবসু নুংঙাইবনি খনবা লৈরিবসিনি, মী হাৎপনি। লাই নীংলগা নুংঙাইরনি খনবসু লৈ, লাইগী মিংদা মী হাৎপসু লৈ। মী হাৎনবসিসু নুংঙাইরমদৌবা মানশিল্লকই, ঙমজদ্রগা মুচ্চরেদনা।

মীনা লান তৌশিল্লকই হায়রগা লেম্বদৌনা চৈনরি, থৌদানরি, চৈনা খাঙনরি। মমল য়াম্না লৈবদৌনা, মুৎপা-কায়বা য়াদবদৌনা ঙাঙনরি। ইকায়গদৌবসি করিদনো খঙজিল্লক্ত্রে, ইশ ইদোম তুকৎচবা হেঞ্জিল্লকই। শুমাং কুম্মৈদনা নিপানা নুপী শাই, নুংঙাইবা জগোয়দনা নুপীনা নিপা শাই। হিংনবনি অনীমক নুংঙাই-নুংঙাইবা ঙাক্তনি। পাউতাক পীনরিবা নিপাসু-নুপীশিংসু নুংঙাইরমদৌবা মানশিল্লকই। থবক লৈতে হায়না লাউনরিবসিসু নুংঙাইবা মাল্লি, থবক শুদ্রবনিনা থবক শুদনা হিংববু করিগী নুংঙাইরোই, হুমাং থোক্ত্রে ৱাদ্রেদনা। হুমাং থোক্ত্রবা হায়বসি ৱাদ্রবনি, নুংঙাইরবনি। হকচাং নারকপদি শোয়দ্রে, শিখিবসু য়াই। দ্রগ চাবগুম্না নুংঙাই নুংঙাইনা শিবা ময়াম লৈরিবনি। শিদ্রিঙৈদদি নুংঙাইনা হিংবা য়ারিবদুনি।

মিংচৎ ফজনা হিংগে হায়ব্রা, মিং চৎত্রবসু হিংবা য়ারিবসিদি। ঙরাংতনি দ্রগ পুরম্বা নিপাদু ফারে, জেলদা চহী অমা নুংঙাইনা লৈরনি। মচা-মশু লৈত্রবদি কোক ফাহল্লগা জেলদা লৈনীংবা মীসু য়াওরক্কনি। থবক লৈতদনা মীগী য়োৎ হুরাল্লুবদুদি থবক ওইনা শুহনগনি হায়রি, থবক ফংলিবদুসু নুংঙাইবা অমনি। থবক লৈতে হায়রিসিবু, ফুরি অমফাওবা থুংদ্রবরা। ফুরিদুদংতা ওইরবসু হোৎলগা ঙাইহাক্তং ওইরবসু নুংঙাইনা লৈবা হৈত্রবরা? নুংঙাইবসু হৈবা চংই, হিংবসু হৈবা চংই।

ৱাবু ঙাঙলবদি হিংলিবনি হায়বা খঙই-নুংঙাই-নুংঙাইনা ৱা ঙাঙলিবশিংদি নুংঙাইনা হিংলি হায়বা খঙই। ৱাবা শারগা ৱারবসু ৱানা হিংদি হিংলি হায়বা খঙই। হৈবু হৈরবদি ঘড়ীতা ওইরবসু হুরাল্লগা নুংঙাইনা হিংলি। ফবা-ফত্তবনা অমনি, হুরাল্লু হায়বসু নত্তে। হৈবু হৈরবদি খোঙমোজাতা য়োল্লগা হিংবসু লৈরি। হিংবু হিংগে হায়রবদি য়োত্তেক, কোনঙৌতা খোম্লগা হিংবসু উরিসিনি, অদুসু আদগী লাক্লগা অসিদা নুংঙাইনা হিংনরি, মিৎনা উনরি।

লৈঙাকসু মুৎখ্রে নুংঙাইরে, লৈঙাক শেন্নবসিসু ৱাখ্রবা পোৎনি। থবক্তু মীনা শুখ্রবদি ৱাদ্রেদনা, তোলোপতি অদুমক লাকই, শীজিন্নবা লোইবা ঙমদ্রপোৎনি। অদুম হিংলিবসি মঙায়, ৱাবা কৌদে, মীগী মচা নেক্লগা ৱায়েনহনববু করিদা ৱাবা কৌবগে, পঙলৈ লৈববু, পঙহিং হিংববু কৈদৌবগে? মখোয় খরনা থবক লৈতবগী, হৈতবগী পঙঙাঙ ঙাঙজবনি। মৱা লৌদে, মখোয় য়াওদ্রবসু হিংবা য়ারিবসি মঙায়, করিসু ৱাদ্রেদনা। মখোয়গী কান্নবা লৈত্রে, থমদ্রবসু য়ারক্কদৌরি, ৱথোকশা মানশিল্লকই। মীয়ামসি য়োল্লগা চাবনিসু হায়, লৈবাকসি য়োল্লগা চাবনিসু হায়নরি। মখোয়নবু ওইগেরা, মমাঙদবু ওইগেরা লৈবাক্তি মুৎখ্রে, হিংবদি হিংলি। ৱাবসু লৈতে, নুংঙাইরে হায়বা তাবনি। মরন্নাই পামজবা খরতনা নুংঙাইবা পামজবগী ৱাজবনি। মখোয়না ৱাজরগা মীয়াম নুংঙাইহনবা ঙম্বসু নত্তে, করিবু কান্নরিবগে? মীনা হাৎলগনা ঐখোয়না শিবতনি, ঐখোয়না হাৎলগনা ঐখোয়সু হিংবা মাল্লকইবনি। ঐখোয়না হিংববু করিগী অৱাবা কৌগদৌরিবনো? অদুদগীনি চেঙ-চাক খরা পুশিল্লক্লগা পঙলৈ লৈয়ু, নমিং-নথা ফাওবা কন্না ঙাঙনগনু হায়রক্লিবসিনিদো।

পঙহিং হিংববু করিগী অৱাবা ওইনা লৌনরিবনো? ৱাজগে হায়বগী নরন্নাইগী খল্লুরিব্রদো? মুখরক্লিবদি ঙসি ঙরাংতদা নত্তে, মৈহৌরোলদগী শাজত্তা য়াওজরক্লবনি। হোংদোকপা ঙমজদবদুনা মুচ্চরিবনি। মদুতং খঙবদা হিংবা ঙম্বসু য়ারিবনি। মদুগীদমক শেল তিংগদৌবসু নত্তে। শেন্দোয় হুনগদৌবসু নত্তে। কিগদৌবসু নত্তে, ৱারেপ্তুগী ৱাতনি, থবক হৈবদুতনি। মুচ্চখিবা তাবনি।

মুৎলবসু হিংলিবনি খনবসিনি মুৎপা হেঞ্জিল্লক্লিবসি। মুৎলবনি হায়বা খঙদবসিনি মুৎনবগী শাজৎ হায়রিবসে। ঙানুদুনা য়োৎলিবা ঙাদুনা ঙাইহাক্তং কাউবদু হিংবা কৌগদ্রা? কাউজবনি শিরবনি। হিংবা শারগা ৱা মচা-মচা ঙাঙলগা নাপল কানবগী হিংবা মানবা মতেক-মতেক উরগা হিংলগনি খনবসু লাল্লি। মপানা হিংলিবনি হায়গনি, মচানা হিংদ্রে হায়গনি। মপানা নুংঙাইজবগীনি মচানা ৱাজরিবা, লমজা-শারা ওইরক্লিবা। শিদ্রিবা মমা-মপানা মচা মশুগী য়েক্লবা ওইরক্লে। শিখ্রগনা লমজা-শারা মচাশিংনবু করিবু তৌজরুগনি, পঙহিং হিংবা নত্তনা। হিংদ্রবনি।

স্কুল-কোলেজদা চহী চূপ্না তাকপবু পরিক্ষাদা ফেল ওইরিবনি। নোংমা সড়ক নালাদা লাউরম্লগা লো খঙঙু হায়বা য়াবা নত্তে। লো হায়বসিনা মমিৎ তাংবসিবু হায়রিবা, মমিৎ উইশিনবা নত্তে, তাংলিবনি। লম্বীদা হেঞ্জিল্লকপসি লোদা য়াওদে হায়বা তারি। লো শাজিল্লগা থল্লল্লিবসি লাউরল্লিবা মীদুনা ওইগনি, রেনশম তাল্লম্বা ওইরিনি। লৈবাক তঙ্খায় তনশিনবনা লোনা য়াবদৌনা তৌবা, খোঙ লম্বী থৎপনা লোনা য়াদে খঙবসিনি লো খঙবনি হায়রিবসে। লোসিসু লম্পাক-লো, লম্বী-লো হায়না খায়দোক্লিবনি। ফাবা তারবদি লো ফাজিল্লম্বশিংদু ফাগদৌবা ওইরিনি। খঙদ্রবদি লোদু হিংবা কৌদেদা, লোদু খঙদ্রবসু হিংববু করি ৱাবনো? অখঙবা অমা-অনী লৈবদুনা লৈঙাক শেম্বসু ঙমদ্রগা, লো লৈ হায়বসি সড়ক তারক্লবনি, ঙাওরবনি। মসিবুনি হিংনবগী শাজত্তু য়াওজদ্রবা হায়রিবসে। এসেমব্লিদা লো লৈত্রগা সড়কতদি লোদু লৈরি হায়বা খঙলিবশিংদুনা হিংবদি ৱাবা কৌদেদা, পঙহিংদুম হিংজবনি হায়গনি। নুংঙাইবিদ্রিবদি মখোয়না করিসু তৌবা ঙমজদবা অসিনি। পঙঙাঙ ঙাঙশিল্লুবা য়াবা নত্তে, থৌরী য়াল্লগা শিবা য়াওনরক্লবদি কমদৌনি। পামজবা, নুংশিজবা কায়নবগী পাখঙ লৈশাদৌনা মখোয়সু মথৱায় নুংঙাইবদি নত্তেদনা, খঙঙু।

হিংবদা ৱায় হায়বসি লৌবুক্তা লৈবা থরোই অমনা ফাওবদা হায়নদ্রবনি। মী খরা খক্তনা হায়জবা ৱাহৈনি হায়বসি খঙনরবদি ৱারে হায়বসি তন্নরক্কদৌরিবনি। মীনা য়ূম্ফম মুনখ্রগা হিংবদা ৱারে হায়বা য়াদে, মীনদি য়ূমদু মুনখ্রি, চারা অমা মুল্লগা চাবা ঙম্বদি কৈদৌবা। করিগী ৱাকৎ, ৱাকৎফমসু খঙদ্রবা, শিফমসু খঙদ্রবা, করম্না হিংগনি। মী নত্তে হায়নখ্রগনি, হিংগে হায়রবদি ৱাবা হায়বা য়াদে। হিংবদুদগীদি ৱারে হায়বদুনা হেন্না ইকায়গদৌবনি। চাদদুনা শিবসু শিবা, হু তরেৎমক চারগা শিবসু শিবা হায়বা ঙম্বা তারকই। শিদ্রবদি হিংগনি, হিংববু করিগী ৱাবা। ৱাবা হায়বসি শাজৎ অমনি, চারা হেল্লগা লাই নীংবা ফংবা হৌনদে। লাই নীংলগা চারা হেন্দনবা লান তৌনরিবনিদো। লান হায়বসি ৱারি নুংঙাইনবা তৌবা নত্তে, হিংবা ঙম্নবা থৌদাংনি। হৈত্রবদি হিংবসু হৈত্রে, হিংবা হৈত্রবদি লান তৌনরোই। লান্দা ৱাবা হায়বা য়াওদে, লান ময়াম অমা মায়থীদুনা লাক্লগা হিংলিবগুম খনবসি চুমগদৌবা মান্দে। ৱারে-ৱারে হায়রগা হিংগদৌবা লৈতে, ৱারেদা হায়গদৌবগী শরুক শিখিবনা ফৈ হায়বদগী শিনখ্রিবনি। নুপী-অঙাংগী ঙাচেৎ-থুমচেৎকী শিবসি শিফম খঙদবা লমশি কৌই হায়বসু লৈরিবনি। শিদবদি য়ারোই, ঐখোয় লোইনা শিগনি। ঙন্না পঙশি শিজনবদু লাল্লি হায়বগী ৱাদুনি। পঙশি শিনবা লান তৌনবসু লাল্লি হায়গনি। হিংমিন্নবদি হৈত্রগা পঙশি শিমিন্নবনা চুমগনি হায়বসু লৈতে। শিমিন্নগেরা-হিংমিন্নগেরা, লান হায়বসিনা ৱারোই নত্তে। ৱাখলদা লাইখায় তাহনবদদি মতেং পাংবা ঙম্মী। পূন্সিবু লান অমনি খল্লগা ৱাদুনতা লৈবা য়াদে, হিংলিবনি খল্লবদি ৱাগদৌবা নত্তে। নুংঙাইবতা খল্লগা মীয়াম্না হিংলবা লৈবাক অদুমদি ৱাবা শোয়দ্রবনি। মীয়াম্না থবক্তা ৱাজরবা (হেন্না শুবা নত্তে) লৈবাক্তুদি নুংঙাইবা মশানা তারকই। থবক শুনীংদ্রবা ৱাজরদৌবনি, থিংবা য়ারোই ৱাজনীংবনি। হিংবা হায়রিসে থবক শুবনি, থবক শুবা হায়রিসে নুংঙাইবদুনি। হিংবা হৈবদুনি, থবক হৈবদুনি হিংবা হৈবা হায়রিবনি। অয়াম্বনা হৈনদবদুনি।

মখোয় খরনা থবক হৈতবদগী লৈঙাক হিংদ্রে, লৈঙাক হিংদ্রবদি খুন্নাই ওইনা হিংদ্রে। মখোয়গীদমকসু ৱাগদৌবা নত্তে, শিনগদৌবনি। ●

# জপাননা য়ু এসকী ব্রোদবেন্দ স্পীদতগী শরুক মিল্লিয়ন ৪ হেন্না খোঙজেল য়াঙবা অনৌবা স্পীদ রেকোর্দ থমখ্রে

- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -



**জপানদা সাইন্টিষ্টশিংগী কাঙবু অমনা অনৌবা ফাইবর ওপ্টিকশিং পুথোক্তুনা খ্বাইদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙবা ইন্টরনেট স্পীদকী রেকোর্দ থুগায়খ্রে।**

জপানগী থিজিল্লোইশিংনা, দাটা গীগাবাইট ১২৫,০০০গী মথক্তা সেকেন্দ খুদীংগী মাইল ১,১২০ (কিলোমিটর ১,৮০২) হেন্না থাদুনা, খ্বাইদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙবা ইন্টরনেট স্পীদকী অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। চাউরাকপা ইষ্টিমেটশিংগী মতুংইন্না হায়রিবা খোঙজেল অসি য়ু এসতা চাংচৎ অমা ওইনা লৈরিবা ইন্টরনেটকী স্পীদতগী শরুক মিল্লিয়ন ৪ রোম হেনগনি অমসুং নহাকপু ইন্টরনেটকী অর্কাইব পূম্নমক মিনট মরি ফাবাত্তনা দাউনলোদ তৌবা ঙমহনগনি। মসি মমাঙগী কুমজা ২০২৪দা সাইন্টিষ্টশিংগী তোঙান তোঙানবা কাঙবুশিংনা থমখিবা গীগাবাইটস পর সেকেন্দ ৫০,২৫০গী ৱর্ল্ড রেকোর্দ অদুদগীসু শরুক অনী হেল্লি।

কাঙবু অসিনা অনৌবা স্পীদকী পান্দম অসি ফংবা ঙম্নবগীদমক্তা চাউরাক্লা ন্যু য়োর্ক অমসুং ফ্লোরিদা অনীগী অরাপ্পা মরক্তা ইনফোর্মেশনশিংবু হান্নদগী হেন্না খোঙজেল য়াঙনা থাদোক-থাজিন তৌনবা অনৌবা ওপ্টিকেল ফাইবর মখল অমা শেম-শাদুনা পুথোকখি। অসিগুম্বা মায় পাকপা অসিগী অকূপ্পা ৱারোলশিং অদু হৌখিবা এপ্রিল ৩দা সান ফ্রান্সিস্কোদা পাঙথোকখিবা ৪৮-শুবা ওপ্টিকেল ফাইবর কম্যুনিকেশন কনফরেন্সতা পুথোকখ্রে হায়না জপানগী নেশনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইনফোর্মেশন এন্দ কম্যুনিকেশন্স টেক্নোলোজিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

**মাইল ১,১২০ শাংনা চৎপা** - অনৌবা মখলগী ওপ্টিকেল ফাইবর অসি মশাগী দাটা ত্রান্সমিশন কেপাসিটিদা হৌজিক চৎনরিবা ওপ্টিকেল ফাইবর ১৯গা মান্নে। অনৌবা ওপ্টিকেল ফাইবর অসিদা য়াওরিবা ফাইবর ১৯ মক অসিগী সেন্টরশিং অদুনা মঙালগা চপ মান্নবা মওংদা থেংনবদগী হায়রিবা মঙাল অসি কয়া চাং নাইদবা হায়বদু তৌদবনা দাটা মাঙখিবগী চাং হন্থে, মরম অসিনা মসি লম শাংনা ইনফোর্মেশন থাবা মতমদা, হৌজিক শীজিন্নরিবা কেবলশিং অসিদগী খুদোংচাবা হেল্লি। কেবল অনৌবা অসি তোঙান তোঙানবা ফাইবর ১৯বু ইঞ্চি অমগী শরুক লীশিং মঙা থোকপগী অমগী দাইমেটর অমদা (মিল্লিমিটর ০.১২৭) চপশিল্লগা, হান্ননা শীজিন্নদুনা লৈরিবা অয়াম্বা সিঙ্গল-ফাইবর কেবলশিংগী অথা-অরাক অদুগা চপ মান্ননা শেম-শাবনি। থৌওং অসিদগী অনৌবা কেবল অসিনা হৌজিক লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি শীজিন্নদুনা হান্নদগী হেন্না দাটা থাদোক-থাজিন তৌবা ঙম্লগনি হায়বসি তাক্লি।

কুমজা ২০২৩দা, কাঙবু অসিমক্লা ত্রান্সমিশনগী স্পীদ অসি চপ মান্ননা য়ৌবা ঙমখি অদুবু অনৌবা মায় পাকপা অসিনা কোনশিনবা ঙল্লিবা অরাপ্পা অসিগী শরুক অহুম থোকপগী অমা য়ৌনা থাবা ঙমখিদে। হায়রিবা অরাপ্পা অসি য়ৌবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা লম শাংনা ইনফোর্মেশন থাবদা তোয়না থোক্কনবা দাটা মাঙবগী চাং হন্থহনবা অমসুং দাটাশিং অদু মতৌ করম্না মশীং য়ামহনগদগে হায়বগী ইস্যুশিং অসিনা খ্বাইদগী চাউবা পল অমা ওইখি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা শীংনবশিং অসি মায় পাক্লা লাম্থোক্তুনা সিগ্নেলগী মপাঙ্গল কনখৎলকপদগী লম হেন্না শাংনা দাটা থাবা য়ারকখি।

অসিগুম্বা থৌওং অসিদা দাটা অদু ত্রান্সমিশন সিষ্টম অমদা ২১রক হন্না চেল্লগা, মাইল ১,১২০গা মান্নবা অরাপ্পা য়ৌরবা মতুংদা দাটা রিসিভর অমদা য়ৌই।

হায়রিবা রেকোর্দ অসিনা, লম-লাপ্পা দাটা থাদোক-থাজিন তৌবা য়াবা, মপাঙ্গল লৈবা অমসুং মগুণ হেনগৎহনবা য়াগদবা সিষ্টম অমা পুথোকপগী টেক্নোলোজিগী ওইবা চাওখৎপা অদু উৎলি। মসিনা মালেম পূম্বগী ওইনা হেনগৎলক্লিবা দাটাগী দিমান্দ অসি পীবা ঙম্লগনি হায়না চেরোল অসিনা থাজবা পীরি।

ইকুই কুইদনা, দাটাগী ত্রাফিক ভোল্যুম অসি মালেম পূম্বগী ওইনা শীংথাবা য়ানা হেনগৎলক্লগনি হায়না থাজবা পোক্লরি, মরম অসিনা অনৌবা কম্যুনিকেশনশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মথৌ তারকপা য়াই। কাঙবু অসিনা মথংদা টেলিকম্যুনিকেশনগী মায়কৈদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবগীদমক্তা থিজিন-হুমজিন্নবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১১৮কী ৱাহং**

১) "সুজাতাগী মঙনি। চহী কুন্নগনিথোই মমাঙদা ওইখিবা অয়ূক অমদা অমুক হল্লকই।" ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহানবা পরেংনি। লাইরিক অসিগী মমিং অমদি ত্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে?

২) 'অমম-অঙান' হায়বসি দ্রামাগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা য়াওবা দ্রামা অমগী মমিংনি। য়াওরিবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং অমদি লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "ঈঙাং তৈরবা চেবাংগী করম্বা লামায়দা
করম্না ইসিগে চোকথরবা খূৎসিনা
হামুক তৈবা নঙগী ঙসিগী পুৱারীসে।"
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৪) "ঈগী খোঙ্গুল লীবা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

৫) "মাই মেনকা হায়বীদো" হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।